ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ১৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৯৯শুবা মশীং

## দি ষ্ট্রীট্স ফোর পীপল চেলেঞ্জ হৌদোকখিবা
### সিটি পূম্নমক্তা খোঙনা চৎলিবা মীওইশিং খূদোংচাহন্নবা থৌরাং

মমাঙ থাদা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্সনা ক্লাইমেট স্মার্ট সিটিজ এসেসমেন্ট ফ্রেমৱর্ক (সী এস সী এ এফ) ২.০ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা 'ষ্ট্রীট্স ফোর পীপল চেলেঞ্জ' হৌদোকখি। অঙাং-অশাগী খল কায়থরক্লিবসি মায়োক্নবগী পান্দমদা 'স্মার্ট সিটিজ মিসন'না পায়খৎলিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্স হর্দীপ সিংহ পুরিনা হায়খি, কেটগরি মঙা- এনর্জি এন্দ গ্রীন বিল্ডিং; অর্বান প্লানিং, গ্রীন কোভর এন্দ বাইওদাইভর্সিটি; মোবিলিটি এন্দ এয়র ক্বালিটি; ৱাটর মেনেজমেন্ট অমসুং ৱেষ্ট মেনেজমেন্টতা য়ূম্ফম ওইরগা ক্লাইমেট স্মার্ট সিটিজ এসেসমেন্ট ফ্রেমৱর্ক শেমগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্সনা থৌরাং অসি লৌখৎপদা নেসনল ইন্সটিটুট ওফ অর্বান এফেয়র্স (এন আই য়ু এ)গী মখাদা লৈবা 'ক্লাইমেট সেন্টর ফোর সিটিজ'না মতেং পাংগদৌরি। অমরোমদা, মিনিষ্ট্রিনা সিটি পূম্নমক্তা খোঙনা চৎলিবা মীওইশিংগী খূদোংচানবগীদমক 'ষ্ট্রীট্স ফোর পীপল চেলেঞ্জ'সু হৌদোকখি। থৌরাং অসিদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী সিটি নিপাল- ইম্ফাল, গুৱাহাটি, অগরটালা, শিলোং, আইজোল, গেংটোক, কোহিমা অমদি ইটানগরসু শরুক য়ারি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা সিটি ১৪০না মখল-মখা কয়াগী থৌরাংশিং লৌখৎতুনা মী চিনবা সিটি পূম্নমক খোঙনা চৎনবগী মফম নীংথিনা লৈহন্নবা হোৎনগদৌরি। শীংথানিংঙাই ওইবা ৱাখল্লোন শীজিন্নরগা শেল ইচঙ-চঙহন্দনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী মখাদা মিনিষ্ট্রিনা সিটিশিংগী মকোক-মথং খল্লগনি। ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ক্লাইমেট স্মার্ট সিটিজ এসেসমেন্ট ফ্রেমৱর্ক অমসুং ষ্ট্রীট্ ফোর পীপল চেলেঞ্জ হৌদোকখিবগী থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্সকী সেক্রেটরি দুর্গা শঙ্কর মিশ্র; মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী সিনিয়র ওফিসলশিং; ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী অর্বান দিভলপমেন্ট সেক্রেটরিশিং; স্মার্ট সিটিজ মিসনগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরশিং; ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নরশিং অমসুং মরু ওইবা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক শরুক য়াখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা থল্লকখিবা লোকদাউন লৌথোকখিবগা লোয়ননা সিটি পূম্নমক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খূদোংচাদবা মায়োক্নরি। পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টম মতীক চাদবা, লৈরক-খুল্লক অয়াম্বা ইখু-খুবা অমসুং কৈথেল পূম্নমক মী চিনবা মরম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খূদোংচাদবনি। বোগোটা, বর্লিন অমসুং মিলনগুম্বা সিটি খরদা লম্বীগী ফীভম নৌনা শেমদোম শাদোক্লগা খোঙনা চৎলিবা মীওইশিং অমসুং সাইকল থৌরিবশিংগী খূদোংচানবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রে। লৈবাক অসিদসু তঙাইফদবা ফীভম অমা লাকপদগী মরু ওইবা সিটিশিংদা 'ষ্ট্রীট ফোর পীপল চেলেঞ্জ'গী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মালেমগী ওইনা মী খ্বাইদগী চিনবা সিটিশিংগী মনুংদা বেঙ্গলুরুনা মকোক ইথং-থংনা লৈরি। মী কা-হেন্না চিনবা অতৈ সিটিশিংদি মথংশিংনা মনিলা, বোগোটা, মুম্বাই, পুনে, মোস্কো, লিমা, ন্যু দিল্লি, ইষ্টানবুল, জকার্টা অমসুং বেঙ্কোক্নচিংবনি। খ্বাইদগী মী চিনবগী মতাংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৫৭কী সিটি ৪১৫গা চাংদম্নবদা বেঙ্গলুরুনা মকোক ইংথ-থংনা লৈবনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা সিটি অসিদা পুং ১ গাড়ী থৌবদা মী চিনবনা মরম ওইরগা মিনিট ৫৮ অরেম্বদা মতম মাঙলি। নুংথিলদা কা-হেন্না মী চিনবা তাঞ্জাদদি মিনিট ৭০ ফাওবা অরেম্বদা মতম মাঙবা য়াওরি। 'টোমটোম ত্রাফিক ইন্দেক্স'কী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা মীওই অমনা চহী অমদা মী চিনবনা মরম ওইরগা মাঙলিবা মতমসি পুং ২৪৩নি। ইন্দিয়াগী অনীশুবা মী খ্বাইদগী চিনবা সিটি মুম্বাইনি। সিটি অসিদা কনাগুম্বনা পুং ১ গাড়ী থৌরগা চৎপদা মিনিট ৬২ দি অরেম্বদা মতম মাঙলি। চহী অমদা পাথোক্লগনা নুমীৎ ৮গা পুং ১৭ অরেম্বদা মতম মাঙলি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিগী ফীভমসু অদু মঙায়রে। লম্বী পাকথোকহনবগা লোয়ননা ফুট ব্রিদজ অমদি অন্দরগ্রাউন্দ রুট কয়া শেল্লবসু মী চিনবগী চাং হন্থহনবা ঙমদ্রি। সিটি অসিদা মী চিনবনা মরম ওইরগা কনাগুম্বা মীওই চৎথোক-চৎশিন তৌবদা চহী খূদিংগী নুমীৎ ৭নিগা পুং ২২ অরেম্বদা মতম মাঙলি। সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট (সী এস ঈ)গী রিপোর্টনা হায়, মী চিনবদগী গাড়ী থৌবদা মতম কা-হেন্না চঙবা মরম্না চহীদা লুপা ক্রোর ৫৪,০০০ রোম অরেম্বদা মাঙলি। মণিপুরগী ওইনসু ইম্ফাল সিটিদি লায়রদনা মরু ওইবা লম্বীশিং অমদি লৈরক খুল্লক পূম্নমক মী কা-হেন্না চিনবগী অৱাবা মায়োক্নরি। লম্বী মশীং হেনগৎহনবনা মী চিনবগী চাং হন্থহনবা ঙল্লোই হায়না পল্লদুনা সী এস ঈগী রিপোর্টনা হায়, ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টমগী ফীভম ফগৎহনবগা লোয়ননা লম্বীদা খোঙনা চৎনবগী মফম নীংথিনা শেমগৎপা তঙাইফদে। ব্রাজিলগী সাও পোলোদা থৌরাং অসি লৌখৎপদগী হান্নগী চাংদম্নবদা মী চিনবগী চাং হন্থহনবা ঙল্লে। মীপূম খূদিংমক মশা-মশাগী গাড়ী থৌদুনা চৎপগী মহুৎতা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টম শীজিন্নরবদি মী চিনবগী চাং হন্থরকপা তাবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা লম্বী নাকলদা গাড়ীশিং খামজিন্দুনা থম্বা অমসুং নুঙ-লৈঙোইনচিংবা পৈশিনবগী মতাংদনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা 'ষ্ট্রীট্স ফোর চেলেঞ্জ' মায় পাকহন্নবা হোৎনফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩

১। লমদম অসিগী শক্লাইরবা কবি অমগী অফাওবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তা য়াওবা, করি শৈরেংদগীনো হায়য়ু।

"নুংশি-খোঙফম অহানবা পাম্মু নঙ্গী কাদনি;
নুংশি-শৈশক অহানবা পাম্মু নঙ্গী নাদনি..
চীঙ্গী খোইমু শাহুল তম নুংশি-কাইহৌ শৈরেং লেং,
হেম্মোইনজ মুনা য়েং হেদৌনজ চিংনা য়েং,
নাপ্পচীক্ন নঙ্গী কা শক্লল্লেদো কয়া ঙং,
নুংশি-খুদোল ফংবরা লৈশিল লৈশিল লৈখোং শঙ!
নোংচুপ চীঙ্গী কোরৌ ওই খূনীং মোইদোন কাঙন কাঙ
খাঙলল্লেদো কয়াম্ম নুংশি, নঙ্গী খরায় লাং!"

২। "মদন কাম অমসুং চিন্তামনি স্বয়ম্বর" হায়বা ফাওরবা লাইরিকসি মণিপুরীদা গোকুলানন্দ সিংহনা হন্দোকপনি। চীন্থাং ৱারীদগী লাইরিক ওইনা ইথোকখিবা অইবদু কনানো অমদি করি লমগী ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইবা লাইরিকনো?

৩। মাহাত্মা গান্ধীগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মণিপুরীদা ইহান হান্না কনানা করি মমিং হায়না থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৪) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা সাহিত্যগী লম্দা পীবা "যামিনি শুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল" অসি য়াম্না লীরবা অমসুং ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইবা মনানি। মনা অসি ইহান হান্না কনানা ফংখিবগে?

৫) এলাংবম নীলকান্ত সিংহগী মমিং চৎলবা শৈরেং "নিংথৌখোংগী চন্দ্রশখি" হায়বসি অফাওবা কবি অমগী মমিং য়াম্না চৎপা শৈরেং অমনা ঈথিল পীবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা শৈরেংদু করিনো? কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কেমিষ্ট্রি নোবেল প্রাইজ ২০২০
## জীনোম ইদিটিংগী পান্বে পুথোকখিবগীদমক

সাইন্সকী খোঙচৎ


কুঞ্জো নাওরেম

মালেমগী পুৱারীসি অসুম ফাকৎতুনা য়েংলুবদা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লিবদি : খুন্দা-লৈতারকঙৈদগী নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবা নৎত্রগা নুপাশিংদা হেন্না খূদোংচাবা পীবসি চৎনরকই। য়ুরোপ্তসু নুপীশিংনা সাইন্স অমসুং অঙ্ক তম্বা য়াদে হায়বগী মতম লৈখি। মারি ক্যুরি অমসুং এম্মি নোইথর (জর্মন মেথমেটিক্সিয়ন) সু অসিগুম্বা চৈথেংসি ফংখি। অদুবু মতমগী য়াওল মতুংইন্না নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবা নৎত্রগা খূদোংচাবা পীদবসি মুৎশিল্লকখি। হন্দক চহীগী কেমিষ্ট্রিগী নোবেল প্রাইজ অসিগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমদি : কেমিষ্ট্রিদা পূন্না ফংমিন্নবা নোবেল প্রাইজশিংগী মনুংদা নুপী ঙাক্তনা ফংবসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসিগী মমাঙদা, কেমিষ্ট্রিদা নুপী অমখক্তনা ফংখিবা অমসুং নুপাশিংগা ফংমিন্নখিবা মঙা লৈখ্রে; মখোয়দুদি মারি ক্যুরি (১৯১১), ক্যুরিগী মচানুপী ইরিন জোলিওট-ক্যুরি (১৯৩৫), দোরোথি ক্রোফুট হোদজকিন (১৯৬৪), অদা য়োনাদ (২০০৯) অমসুং ফ্রান্সিস অর্নোল্ড (২০১৮) নি। হন্দক চহীসিগী ওইনদি CRISPR/Cas9 হায়না খঙনবা জীনেটিক সিজর (জীনবু ককথৎনবা কাটি) অসিগী মতেংনা জীনোম এদিটিং তৌবগী পান্বেসি পুথোকপগীদমক ফ্রান্সকী **ইমান্যুল চারপেন্টিয়র** অমসুং য়ু এস এগী **জেনিফর দৌদনা**দা পীরগনি হায়না ওক্টোবর ৭তা 'রোয়ল স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেস' না লাউথোকখ্রে।

ফিল্ম অমা মচেৎ-মচেৎ নল্লবা মতুংদা, ককথোক-ককশিন, শেমদোক-শেমজিন তৌরগা ফজরবা, মপূং ফারবা ফিল্ম অমা ওইহল্লকই। ফোটো অমসুং ভিদিওশিংবু এদিট তৌনবা 'এদিটর' ময়াম অমা প্লে ষ্টোরদা য়াওরি। মখোয়গী মতেংনা ফোটো অমসুং ভিদিওশিংবু এদিট তৌরগা হেন্না ফজহল্লি, পামদবা মতাংশিংবুসু ককথৎলি। মসিগা মান্নবা মওং অমদা, জীনশিংবু এদিট তৌরগা অপাম্বা, অফবা মায়কৈ অমদা পুরকপা য়াই। জীনশিংবু এদিট তৌনবগী পান্বে কয়ামুক লৈ। মখোয়শিংদুগী মনুংদগী CRISPR/Cas9 অসিসু শিংথাবা য়ারবা অমনি হায়দুনা খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা মনা অসি লাম্থোক্কদৌরিবনি - চারপেন্টিয়র অমসুং দৌদনাদা।

**করম্না চারপেন্টিয়র অমসুং দৌদনানা CRISPR/Cas9 পুথোরকখিবা?**

মাইক্রোসোফ্ট (এম এস) ৱর্দনা তৌবগুম্না, CRISPR/Cas9 সিষ্টমনা অহিংবা জীবশিংদা জীনোমিক কোদ (ইবদা শীজিন্নরিবা ময়েক অমগী মতৌগুম্না) হাপচিনবা, ওন্থোক্নহনবা অমসুং লৌথোকখিবা ঙমহল্লি। ক্লষ্টরদ রেগুলরলি ইন্টরস্পেসদ শোর্ট পালিন্দ্রোমিক রিপিটস (CRISPR) হায়বসি এম এস ৱর্দতা ঐখোয়না ইরিবা তোঙান-তোঙানবা দোক্যুমেন্টশিংবু ষ্টোর তৌনবগীদমক ফাইল মমিংশিং শীজিন্নবগুম্না, মখোয়দা লান্দাশিল্লক্লিবা ভাইরসশিংদগী বেক্টিরিয়ানা ককথৎলবা দি এন এগী মচেৎশিংনি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না ভাইরস অমনা অমুক হন্না ইনফেক্ট তৌরকপদগী ঙাকথোক্নবগীদমক মরী লৈনবা এন্টিবোদিশিং থুনা পুথোকপা ঙম্বা 'মেমোরি সেলশিং' গী মরু ওইবদু লাকহল্লি। অসুম্না CRISPR- শিংসি কিহন-খংহল্লক্লিবা ভাইরসশিংবু মশক খঙদোকপদা মতেং পাংবা বেক্টিরিয়াগী ইম্যুনোলোজিকেল সিষ্টমশিংগী শরুক অমনি। মখোয়না লুমদুনা লৈরিবা ভাইরস অমা হেক উবগা, বেক্টিরিয়া অদুনা শেমদোক-শাদোক্লবা আর এন এ পুথোকই,







মসি CRISPR লাইব্রেরিদগী ফংবা ঈ-পাউনা দি এন এবু প্রোটিন্দা ওন্থোকপদা দরকার ওই। মসিদা Cas-9 গুম্বা এঞ্জাইমশিং পুথোকপদা শীজিন্নরিবা Cas (CRISPR - associated) জীনশিংসু য়াওরি। এঞ্জাইমশিংসি ভাইরসকী দি এন এবু মতৎ-মতৎ ককথৎপদা শীজিন্নে অমসুং ভাইরসশিংদুবু হাত্তোকই। খূৎলায় অসি শীজিন্নরগা, থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা য়াম্না মরীক চুম্না শাশিং, পাম্বীশিং অমসুং মাইক্রোওর্গানিজমশিংগী দি এন এবু হোংহল্লি। ইমান্যুল চারপেন্টিয়রনা ফারিঞ্জাইটিস, তোন্সিলাইটিস অমসুং স্কারলেট ফিভরগুম্বা মখল কয়াগী লায়নাশিং পোকহল্লিবা বেক্টিরিয়াগী স্পেসিস, স্রেপ্টোকোকস পায়োজিন্সকী মতাংদা নৈনখি। অসুম্না নৈনবসিদা হান্না মশক খঙলমদবা মোলিক্যুল, tracrRNA পুথোকপা ঙমখি। tracrRNA অসি বেক্টিরিয়াগী থায়নঙৈদগী লোয়নরক্লবা ইম্যুন সিষ্টম, *CRISPR/Cas* কী শরুক অমনি; মসিনা ভাইরসশিংগী দি এন এবু ককথৎতুনা ভাইরসশিংবু মাঙহল্লি। মহাক্কী থিজিন-চেরোলদু কুমজা ২০১১দা ফোঙদোরকখি। চহী অসিমক্তদা, মহাক্না জেনিফর দৌদনাগা খূৎশম্নরগা, বেক্টিরিয়াগী জীনগী কাটিশিংদুবু টেষ্ট ট্যুবতা অমুক হন্না শেমগৎখি অমসুং শীজিন্নবদা হেন্না লাইথোকহন্নবগীদমক কাটিশিংদুগী মোলিক্যুলর কম্পোনেন্টশিংদুবু চমথোকহনখি। শিংথানীংঙাই ওইরবা চাংয়েং অদুদা মখোয়না জীনগী কাটিশিংদুবু রিপ্রোগ্রাম তৌরম্মী। মখোয়গী মহৌশাগী ওইবা মওংদা, কাটিশিংদুনা ভাইরসশিংগী দি এন এবু মশক খঙদোকই, অদুবু চারপেন্টিয়র অমসুং দৌদনানা উৎখিবদি মখোয়বু লাকশিন্দুনা হান্ননা লেপথোক্লবা মফম অমদা দি এন এ মোলিক্যুল অমা হেক্তবু ককথৎপা ঙম্মী হায়বসিনি। দি এন এদু কক্লবা মফমদুদা পুন্সিগী কোদপু নৌহৌনা ইবদা অরাইবা অমা ওইরম্মী।

**CRISPR/Cas9 না মীওইবদা করি কান্নবা পীগদৌরিবা?**

চহীসিগী হৌরকপদা, পারি-পুরিগী ওইনা মীৎ তাংলক্লবা মী অমনা CRISPR/Cas9- বেজদ থেরাপি অমা মহাক্কী হকচাংদা হকথেংননা কাপশিনখিবা অহানবা মীশক ওইবা ঙমখি। জুন থাদা জীন-ইদিটিং কম্পেনি CRISPR থেরাপ্যুটিক্সনা বিটা থলাসেমিয়ানা নারবা মীওই অনী অমসুং সিকল সেল লায়নানা নারবা মীওই অমবু CRISPR টেক্নিক শীজিন্নদুনা মখোয়গী বোন মেরো ষ্টেম সেলশিংবু ইদিট তৌখিবদগী মখা তানা ঈ কাপ্পগী মথৌ তাদ্রে হায়না লাউথোরকখি। 'কেমিষ্ট্রি ৱর্ল্ড' দা ওক্টোবরগী হেক হৌরকপদা ফোঙদোরকখিবা পাউ অমগী মতুংইন্না, ডো. দৌদনানা এমিয়োট্রোফিক লেটরেল স্ক্লরোসিস লায়েংবগী থবক হৌননবগীদমক 'স্ক্রাইব থেরাপ্যুটিক্স' কৌবা অনৌবা কম্পেনি অমা হৌদোকখ্রে। ডো. দৌদনানা 'গ্লেক্সোস্মিথক্লাইন' গা খূৎশম্নদুনা বাইওটেক ষ্টার্টঅপ 'মাম্মোথ' কী মতেংনা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা CRISPR শীজিন্নদুনা ইনফেক্সনশিংবু খঙদোক্নবগী টেষ্ট অমা শেমগৎপা হৌখ্রে হায়না রোইটর্জনা পাউদম্লক্লি।

চহীসিমক্তদা, দিল্লিগী সী এস আই আর - ইন্সটিট্যুট ওফ জীনোমিক্স এন্দ ইন্টিগ্রেটিভ বাইওলোজি (CSIR-IBIB) না পুথোকখিবা 'ফেলুদা' হায়না মিংথোনবা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং কিট অসি CRISPR/Cas9 সিষ্টমদা য়ূম্ফম ওইবনি। মশাগী ওইনা য়ূম-য়ূমদা থিজিনবগী থবক পায়খৎচবা য়াবা, 'বাইও-হেকিং' কৌবা সব-কলচর তৌবা য়াবা, বাইওটেক্নোলোজিগী থবকশিংদা শীজিন্ননবগীদমক CRISPR - বেজদ কিটশিং মালেমগী কৈথেলশিংদা ফংলে। কেন্সর, থম্মোয়গী লায়নাশিং, মেন্টেল দিজিজশিং অমসুং ঐচ আই ভিগুম্বা য়াম্না লুরবা লায়নাশিং লায়েংবদা সিষ্টম অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বসি থিজিল্লিবা কয়াগী অচেৎপা থাজবনি। ●

# মালেমদা খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল কোচ-ফরগসন

- লৈশাংথেম অজিৎ -

স্পোর্টস সাইকোলোজি অসি শান্ন-খোৎনবগী থৌরমদা মরু ওইবা মচাক অমা ওইরক্লে হায়বা ঐখোয়না খঙনরে। মমাঙগী ৱারেংদা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী চীফ কোচ অমা ওইরম্বা অলেক্স ফরগসন্না মহাক্কী টিম অসিনা মায় পাক্লবা হায়দুনা শান্নরোয়শিংবু মশা কন্নবা, লমজেল য়াংনবা, দম লৈবা তান্নবা মখল মখলগী ওজাশিং থমদুনা দরকার ওইবা ত্রেনিং অমসুং কোচিং তৌহল্লি হায়না থমজখিবগা লোয়ননা মহাক্কী খুদাংদা শীরিবা ঘড়ী অদুগী মমায়দা খূদোম্বীনা তপ্না-তপ্না য়ৈবা অসিসু সাইকোলোজিগী মায় পাকপগী শরুক অমনি হায়নসু পঞ্জখ্রে।

কোচ অসিগী তোঙানবা মগুন অমনা মহাক্না টিম অদুগী শান্নরোয় পূম্নমক্কী ওইনা মথক্তা মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ অমদি মখোয়না ফিল্ড মনুংদা শান্নরিঙৈদা কিগনবা, মথৌনা লৈবা, পাঙ্গনবা, মীঙোন্দা কাওথৎতুনা অশোক অপন থোকহন্নবা হোৎনবা, মশা মতোমতা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা, মখোয়না ময়ূমদা লৈবা মতমদা অমদি কোচিং কেম্পতা করম্বা শাজৎ চৎকনি হায়বা খঙই।




শান্নরোয় অমনা লম হেনগদবগী মওং লাক্লবদি মহাক্না অঙাং অদুগী মমিত্তা মুন্না য়েংই। মহাক্না লমহেনবা শান্নরোয় থেংনরবদি মহাক্না হায় 'নহাক মতম অমদা নহা ওইরম্মী, নহাক মদুগী ফীভমদা লৈগদবনি' নঙনা অরানবা তৌরবদি নহাক দন্দি পীগদবনি।' দন্দি পীবা হায়বা অসি মহাকপু শান্নবা য়াওহন্দবা অমদি ক্লব অদুদগী তান্থোকপনি। মহাক্না ফ্রেঙ্ক মেকগরটের কৌবা লমহেনবা শান্নরোয় অমদা হায়খি মদুদি 'নঙ শান্নবা অমুক হন্না য়াওহল্লরোই।' ফ্রেঙ্ক মেকগরটেরনা মহাক্না হায়বা অদু য়াম্না কিরম্মী অমসুং থাজরম্মী। চয়োল অহুমলোম লৈরগা শান্নরোয় অদুনা মঙোন্দা মহাকপু ঙাকপীনবা অমদি শান্নবা অমুক্তগা য়াওহনবীয়ু হায়জখি। শান্নরোয় অদুনা তপ্না তপ্না খঙলকখি মদুদি শান্নবদা য়াওহনগে য়াওহল্লোই হায়বা অসি কোচকী মখূত্তা অয়াম্বা লৈ হায়বসি।

মী অয়াম্বনা কোচ অসিগী 'মাইন্দ গেমস' কী মরমদা য়াম্না ঙাঙনৈ। মহাকপু করিগুম্বা মতমদা ফুটবোলগী মরমদা অখঙ অহৈশিং, মসিগী মরমদা থিজিনবা ওজাশিং, পাউচেগী মীশিং অমদি মমিং লৈবা মীওই কয়ানা মহাক্কী টিমনা মায় পাকপগী অরোনবা অদু করিনো হায়না হংখি। তৌইগুম্বসুং অকোনবদা মখোয়না খঙলকখি মদুদি খ্বাইদগী মরু ওইবদি মহাক্কী সাইকোলোজিকেল প্রেসর অদু ওইরম্মী। নোংমা কুমজা ২০১০দা শগোল লমজেলগী পৈশা থানফম অমদা লমজেল য়েংবা চৎলুবদা নুপা অমা মহাক্কী মনাক্তা চঙলক্তুনা অসুম্না হায়খি, "ঐনা নঙবু টেলিভিজন্দা য়াম্না শাউনা ৱা ঙাঙবা শাখিবা মী অমা ওইনা উই, অদুবু মফম অসিদদি নহাক নোক্তুনা নুংঙাইনা লৈরি।' মদুদা মহাক্না ফরে অদুদি নহাক্না ঐবু থবক অমা তৌবদা পূক্নিং হকচাং লূপ্না তৌহন্নীংদব্রা হায়না খুল্লম্মী। ঐদি থবক্তা পূক্নিং হকচাং লুপ্পনি। ঐগী ৱাখলদা লাকপা খুদিংমক শান্নরোয়শিংদা কান্নগদবনি। ঐনা অরানবা অমত্তা তৌবা য়ারোই। ঐনা করিগুম্বা অমত্তা চেদা নোট তৌদে (ইশিন্দে), ঐ ভিদিওদা থাজদে অমসুং ঐদি অচুম্বা হায়বা অদু ওইগদবনি, মসি য়াম্না লুবা চেকশিনগদবা থবকনি অমসুং মসিদা অরানবা অমত্তা ওইহনবা য়াদে।

মহাক্না অসুম্না মখা তানা হায়খি মদুদি মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা বোরসিয়া দোর্টমন্দগা শান্নখিবা চেম্পিয়ন লীগকী সেমীফাইনেল অমদা পিটর স্মাইকলনা অরানবা অমা তৌখ্রে হায়বা মহাক খঙই অদুবু মতম অদুদা মহাক্কী অনোক য়াওদে অদুনা ময়েক শেংনা উখিদে। শান্নরোয়শিংনা কোচ অমদি ওজাশিংগী মরমদা ৱা য়াম্না ঙাঙহন্দনবা হোৎনগদবনি। মসিনা কোচশিংগী লৈরিবা মহৈশিং অদু মখোয়না উশিল্লক্তে, কোচশিংদা লৈরম্বা থাজবা অদু মাঙলকই। ওজা অমনা শান্নরোয়দা ৱা অমা হায়বদা চপ চাবা অচুম্বা অদু হায়গদবনি। মহাক্না অসুম্না হায় মদুদি ঐখোয়না অতোপ্পা টিম অমগা মায়োক্নবা ফুটবোল শান্নগদবা লৈরবদি মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয় ১১গী পোজিসন অদু মুন্না খঙগদবনি।

মহাক্না মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী কোচ ওইবা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা কোভনত্রি ক্লবকী টিমগা ফুটবোল এসোসিয়েসন কপকী মেচ অমা ওল্ড ত্রাফোর্দতা শান্নরম্মী। মদুদা মহাক্না কোভনত্রিগী টিম অদু হান্নগী টিম অদুগুম্না খল্লম্মী। অদুবু টিম অদুনা মখোয়বু থীনা মায়থীবা পীখি। মদুদগী মহাক্না মখোয়গী খেন্ন-খেন্নবা টেক্টিক্স, খেন্নবা মওংদা মোটিভেসন তৌদুনা মপূক্নিং থৌগত্তুনা মথৌনা হাপকৎপনচিংবা কোচশিংগী মগুনশিং অদু মহাক্কী পাড়া অমা ওইখি। মরম অদুনা মহাক্কী শান্নবুং ওল্ড ত্রাফোর্দতা হেক য়ারিবমখৈ থোইদোক হেন্দোক্না হৈশিংবা ফুটবোল টিমশিংবু লাক্তুনা শান্নহনবগী খূদোংচাবা লৌই। মহাক্না অসুম্না হায় মদুদি খরা অফবা টিমশিংদি মহাক্কী ক্লবকী শান্নবুং ওইরিবা ওল্ড ত্রাফোর্দতা লাক্তুনা মখোয়বু কিহনবা ওইনা শান্নবা লাকই। মরম অদুনা অর্সনেল, চেলসি অমদি লিভরপুলনচিংবা টিমশিং মখোয়গী শান্নফম ওল্ড ত্রাফোর্দতা শান্নবা হেক হেক লাকহনবসু তৌবনি।

ফরগসন অসি পুকচেল শেংবা, ৱাখল নিংথিনা খন্থবা, ফুটবোলগী কাঙলোন নিংথিনা খঙবা কোচনি। মহাক্না হোলেন্দগী কেপ্তেন ওইরম্বা জোহান ক্রুয়ফকা কুমজা ১৯৯০দা নোংমা উন্নবদা ক্রুয়ফনা হায়রম্মী মদুদি নহাক য়ুরোপিয়ন কপ য়ৌবা শুকঙম ঙল্লোই। মহাক্না মদুগী মরম হংখি। মদুদা জোহান ক্রুয়ফনা খুল্লকখি মদুদি নহাক নমথাক তৌবা অমসুং রেফরি লৈরুদে' হায়বদি মহাক ওইদবা থবক তৌদে, রেফরিদা পৈশা পীরুদে হায়বনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।